ঐস কে ওইল সর্ভিস শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৫: লম্ফেলপাৎ, সেন্ট্রেল স্কুল মনাক্তা নৌনা শেমগৎপা ঐস কে ওইল সর্ভিস ঙসি সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যামনা হাংদোকখ্রে। ঐচ কে ওইল সর্ভিস হাংদোকপগী থৌরমদা মিনিষ্টর শ্যামনা হায়খি, ঙসি হাংদোক্লিবা ওইল পম্প অসি থারগা আউটলেট ৮৪ শুরে। আই ও সীগী মখাদা লৈবা পম্প লাখ ৭৭ নি। চীংগী লমদম ওইবা মরম্না অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবা অসিদগী খরদি কোক্লগনি। তাইবং মীওইবা অসি চহী ১০০গী খনবনি। ঐ-ঐখক্কী খল্লগা থবক তৌবা চুমদে। তুংগী মীরোলগী খল্লগা থবক তৌবা চঙই। থাউদা য়ানশিনবগী থবক কয়া তৌরম্বা অদু হৌজিক্তি তৌদ্রে। মৈখু থোকপগী চাংসু হন্থরে। ওইল পম্প সর্ভিস হাংদোকপা অসিদা কম্পিটিসন তৌবীয়ু। থাউ হেন্না ফনবা হোৎনবা চঙই। বন্দ তৌবা মতমদা খূদক্তা ওইল পম্প থিংজিনবা তৌবীগনু। ঙসি হাংদোক্লিবা পম্প অসিনা মীয়ামদা কান্নবা খরদি পীরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা ৰা ঙাংলদুনা প্রোপাইটর হরিন্দু কোইজমনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি হাংলিবা পম্প অসি মীয়ামগীনি। মীয়ামগী ৰাৎতনা পীনবা হোৎনগনি। থাউসু শেংনা য়োনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

হ্বীলচ্যের পীখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ঃ বেঙ্ক ওফ বারোদাগী ১১১শুবা ফাওন্দেসন দেগা মরী লৈননা বেঙ্ক অসিগী রিমস ব্রাঞ্চনা ঙসি রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)তা হ্বীলচ্যের ১৫ খুদোল তমখ্রে।

GAS NEWS

CANCHI INDANE SERVICE
Booking Upto:25/06/2018
Valid From:22/06/2018
Stk 14Kg:612, Rs.871/- 5Kg Stk Available
Timing :08.00am to 10.30am

HRANGCHAL GAS AGENCY, OLD LAMBULANE
Booking Upto:23/06/2018
Valid From:21/06/2018
Stk :306 (Aadhaar Link Consumers Only)
Timing :07.30am to 10.30am

HARAN VALLEY KWAKTA
Booking Upto:12/06/2018
Valid From:10/06/2018
Stk :306
Timing :07.30am to 10.30am

K&K INDANE SERVICE
Booking Upto:24/07/2018
Valid From:12/07/2018
Stk :306
Timing :07.30am to 11.00am
(First Come First Serve)

J RONGMEI SK INDANE , WANGOI
Booking Upto:11/06/2018
Valid From:10/06/2018
Stk :306
Timing :06.30am to 09.30am

LAMBODARA INDANE
Booking Upto:12/07/2018
Valid From:07/07/2018
Stk :306
Timing :07.30am to 10.00am

MAHALAKSMI INDANE SL.NO. UPTO 221392
Booking Upto:06/06/2018
Valid From:29/05/2018
Stk :306
Timing :07.00am to 10.00am

MAIBIA GAS, MOIRANG SL.NO. UPTO 0510
Booking Upto: 11/06/2018
Valid From: 09/06/2018
Stk :306
Timing :07.00am to 11.00am

MISAO GAS SERVICE
Booking Upto: 23/06/2018
Valid From:08/06/2018
Stk :612
Timing :07.30am to 10.00am

POROMPAT INDANE, POROMPAT
Booking Upto:21/06/2018
Valid From:01/06/2018
Stk :130
Timing :07.30am to 10.30am
(First Come First Serve)
5Kg refill cylinder available.

RBD INDANE SERVICE
Booking Upto: 30/05/2018
Valid From:20/05/2018
Stk :612 (Only CTC)
Timing :06.30am to 10.30am

TDK SEKMAI
Booking Upto:10/06/2018
Valid From:01/06/2018
Stk :612
Timing :07.30am to 10.30am

YAIRIPOK GAS SERVICE
Booking Upto: 28/06/2018
Valid From:22/06/2018
Stk :612
Timing :07.00am to 10.00am

M/S LAICHING INDANE GAS
Booking Upto: 20/06/2018
Valid From:11/06/2018
Stk :306
Timing :07.00am to 11.00am

HEINGANG INDANE GRAMIN VITRAK
Booking Upto: 06/07/2018
Valid From:28/06/2018
Stk :306
Timing :07.00am to 10.30am
(First Come First Serve)

মণিপুরগী ঙমখৈদা হীরম অমত্তদা য়াশিন্নবা তৌরোই, চপ চানা থেংনগনি : লেটপাও

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী টেরিটোরিএল ইন্টগ্রিটিদা লৈঙাক্লা হীরম অমত্তদা কম্প্রোমাইজ তৌরোই। মণিপুরগী ঙমখৈ অমসুং শক্তমদা শোল্লক্কদবা লৈরবদি চপ চানা থেংনগনি হায়না লৈঙাক্কী ৰাঙাংলোয় ওইরিবা ৰাটর রিছোর্স মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

সেক্রেটরিয়েটতা লৈবা ৰাটর রিছোর্সকী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা লেটপাও হাওকিপনা হায়খি, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন (আই-এম) অনীগী মরক্তা পিছ টোক চথরিবা অমদি ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী ৰাফম লাক্লিবা অসিদা মণিপুরগী ঙমখৈ অমদি শক্তমদা হীরম অমত্তদা শোকপা য়ারোই। তুংদা শোল্লক্কদবা লৈরবসু চপ চানা থেংনগনি।

পোলিটিকেল পার্টিশিংনা লৈবাক্কী ওইবা অরুবা ইস্যুদা পোলিটিক্স শান্নবীগনু। মীয়ামগী সেন্টিমেন্টতা শোকপা য়াবা ৰাফমশিং ঙাংবীগনু। ষ্টেট অসিদা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা মণিপুরগী টেরিটোরিএল ইন্টগ্রিটি ঙাক্লবগীদমক চপ চানা লেপ্লি। ষ্টেট এসেমব্লি মীফমনা হন্দক্তসু এসেমব্লিগী মমাংগী ৰারেপ রিএফর্ম তৌবা লৈখ্রে।

ওপোজিসন লীদরনা হন্দক্তা এসেমব্লি মীফম শাংদোক্তবগী মতাংদা ৰাফম কয়া ফোঙদোকপা থেংনরে। মীফমগী মতম অসি বিজিনেস এদভাইজরি কন্মিটিনা খন্নরবা মতুংদা লেপখিবনি। তঙাইফদবা লাক্লবদি স্পেসল সেসন অদুমক কৌবা য়াই। হীরম অসিগী মতাংদা ওপোজিসন লীদরনা ৰাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা লাক্লি।

মণিপুর যুনিভর্সিটিদা হৌজিক লৈরিবা ইস্যু অসিগী ৰারোইশিন অমা পুরক্তুনা ষ্টেটসিগী মহৈরোয়শিং মহৈ-মশিন তম্বা য়ানবা হোৎনমিন্নসি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু কন্না হোৎনদুনা লাক্লি। কেবিনেট মীফম ফমদুনা ৰারেপ কয়া লৌরবা তুংদা সেন্টরদা থাখিবসু লৈরে। এম যুগী ভি সীগী মথক্তা কন্মিটি অমনা থিজিনগদৌরিবা অসিদা ফংলকপা ৰাফমশিং অদুদা মরাল লৈরবদি অদুমক ফংফম থোকপশিং ফংবা তাবনি। অরানবা তৌরবদি লোনা চৈরাক অদুমক পীবা য়াই। লোবু ইকায় খুম্ননা চৎপা তঙাইফদে। ষ্টেটসিগী মমল য়াম্লবা মহৈরোয়শিং হৌজিক মহৈ-মশিন তম্বা ফংদনা লৈরিবা অসি ফংহন্নবা হোৎনমিন্নবা চঙই। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু হোৎনবা য়াবশিং হোৎনদুনা লাক্লি। মহৈরোয়শিংগী একাদেমিক কেরিয়রদা কায়হন্দনবা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নসি।

বোর্দর পিল্লর নম্বর ৮১গী ফীভম ঙসি সর্ভে ওফ ইন্দিয়া অমদি মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফ্যের্সকী টিমশিং য়াওনা য়েংশিনখ্রে। মসিগী ফাইন্দিং করিনো হায়বদু য়েংমিন্নসি। ঙমখৈ হায়বসি য়াম্না লূম্না লৌই। লমদমসিগী লৈজরল্লিবা ঙমখৈ ঙাক্তুনা থম্বা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। ঙমখৈ ঙাক্ল বগীদমক চপ চানা ফিরেপ লৌগনি। ষ্টেট অসিগী লৈজরিবা ঙমখৈগী শরুকশিং নীংথিনা ঙাক্তুনা থম্বা হায়বসি ঐখোয় খূদিংমক্কী মরুওইবা থৌদাং অমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা এম এল এ ডো. সাপম রঞ্জন, ঐচ দিঙ্গো, এল রামেশ্বর অমদি টি ঐচ সত্যব্রতাসু শরুক য়াখি।

দি রাজানা রাজ্য সভাদা মণিপুরগী ইস্যু পুখৎখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৫ (এজেন্সী): রাজ্য সভাদা ঙসি টামিল নাদুগী এম পি, দি রাজানা মণিপুরগী হৌজিক্কী মরু ওইবা ইস্যুশিং হায়বদি সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি ওইরবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সী শীন্দোকপা, সিটিজন্স রাইটস বিল অমসুং নাগা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টনচিংবগী মতাংদা পুখৎতুনা গভর্ণমেন্ট অমদি হাউস অপুম্বগী পূক্নিং চিংশিনখ্রে।

টামিল নাদুদগী রাজ্য সভাগী এম পি দি রাজানা মণিপুর অসি য়াম্না মরুওইবা ষ্ট্রেটেজিক ষ্টেট অমনি হায়না পল্লদুনা ষ্টেট অসিগী মীয়াম অমসুং মহৈরোয়শিংনা য়াম্না মরম চাবা ইস্যুশিংগী মতাংদা খোঙজং কয়া চঙশিল্লি। অদুনা ষ্টেট অসিদা টেন্সন চাওনা লৈ হায়না ফোঙদোকখি। মহাক্লা হায়খি, অহানবদা মণিপুরগী মীয়াম্না সিটিজনশিপ রাইটস বিলগী মতাংদা ৰানরি। গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া অমসুং নাগা লালহৌবশিংগী মরক্তা নৌনা সাইন তৌনখিবা নাগা এগ্রীমেন্টকী মতাংদসু ৰাই। ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অসি সাইন তৌনখ্রবসু মদুগী অকুপ্পশিং খঙহন্দবদগী মণিপুরগী মীয়াম্না ৰানরিবনি। মণিপুরগী মীয়াম অমসুং মহৈরোয়শিংনা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি এম যুগী হৌজিক লৈরিবা ভি সী অসি শীন্দোক্লুবা তকশিল্লদুনা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লৈরি। মসি খ্বাইদগী মরুওইবা থুনা য়েংশিনফম থোকপা ইস্যুনি। মণিপুরগী মীয়াম অমদি মহৈরোয় সেক্সন পুম্নমক অমসুং পোলিটিকেল পার্টিশিংনা ৰাফম অসিগা মরী লৈননা খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা ঈরাং হৌরি। মখোয়না দিল্লিদা লাক্কুনা গভর্ণমেন্টগী মরী লৈনবা মিনিষ্টরশিং উনখ্রে অমসুং মখোয়না মীপূম খূদিংমক্তা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভি সী মখা তানা ওফিস পায়হল্লোইদবনি হায়না তকশিল্লি। ভি সী অসিগী মথক্তা মরাল কয়া শীবসু লৈরে।

এম পি রাজানা মখা তানা হায়খি মদুদি, মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী অৱাং-নোংপোক্কী শরুক অমনি। ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী ৰাখলদা মখোয়বু পার্লিয়ামেন্টনা অমদি লৈবাক অসিনা থৌশাবীদ্রে হায়বগী ৰাখল খলহল্লোইদবনি। মণিপুর মীয়ামগী দিমান্দশিং মরু ওইনা এম যুগী ভাইস চাঞ্চেল্লর শীন্দোকপগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা করি তৌরিবগে হায়বদু মহাক্লা খঙবা পামই। হীরম অসিগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা খূদক্তা এক্সন লৌখৎকদবনি হায়খি।

মখা তানা মহাক্লা অৱাং-নোংপোক লমদম অসিসু ইন্দিয়াগী শরুকনি। ইন্দিয়াগী ৰা ঙাংবা মতমদা অৱাং-নোংপোক লমদম অমদি মণিপুরগী মীয়ামগী ঈহুল খঙগদবনি হায়খি।

মীয়ামগা উনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ঃ লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা তোঙান-তোঙানবা সিভিল সোসাইটি অমদি মৈরা পায়বীশিং য়াওনা মীয়ামগা উন্নবগী থৌরম অমা পুলিস ষ্টেসন অসিগী কেম্পসতা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনগী কেম্পতা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী উনবগী থৌরম অদুদা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনগী ও সী ইনচার্জ কৈশাম ধনঞ্জয়না ফোঙদোকখিবদা পুলিস লৈরিবা অসি মীয়ামগী লন-থুম ঙাক্লবা লৈবনি। মীয়াম্না পামদবা থৌদোক ৰাথোক অমা থোরকপা মতমদা পুলিসতা মতম চানা পাউ পীবিদুনা মতম চানা ইরাং অদু লাকশিন্নবা হোৎনমিন্নসি। পুলিসনা মীয়ামগী থবক পায়রকপা মতমদা করিগুম্বা অশোয়বা য়াওরবসু মীয়াম্না তাকপিরকউ। খুন্নাই অসিগী পুলিস অমদি মীয়ামগা লোয়ননা তৌবা য়াবা থবক পুন্না থৌদাং য়ামিন্নসি হায়খি।

থৌরম অদুদা সিভিল সোসাইটি অমদি মৈরা পায়বীশিংগী মায়কৈদগীসু পুলিসনা তৌহনিংবা ৰাফম কয়া ফোঙদোকখি।

ইম্ফালদগী দিল্লিদা পাইখিবা এয়র...

লামায় ১গী মখা... চথরিবা ইনভেষ্টিগেসন্দা মপুং ফানা কোওপরেসন পীগনি। দিরেক্টর জেনরেল সিভিল এভিএসনদা পাউ পীখিবগা লোয়ননা পুলিস অমসুং মরী লৈনবা এজেন্সিশিংনা চথবা ইনভেষ্টিগেসন্দা মপুং ফানা মতেং পাংগনি। এয়র এসিয়ানা হায়খি, প্লেন মনুংদা পোকপদা ঙাইরিবা অঙাং অমা শিনা লৈরম্বা থেংনবদগী দিল্লি পুলিসতা পাউ পীখি। দিল্লিগী ইন্দিরা গান্ধি ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা মথৌ তৌবা মেদিকেল টীমগী দোক্তর অমনা অঙাং অদু ফ্লাইট মনুংদা পোকপনি হায়না কনফার্ম তৌখি। অঙাং অদুগী মমা ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনবা নুপী অমা ৰাহং-পাউহং তৌনবগীদমক ফাজিল্লে অমসুং মর্দর কেস অমা রেজিষ্টর তৌরে হায়না দিল্লি পুলিসনা ফোঙদোকখি।

মচেৎ তাহন্নবগী থৌশিল...

লামায় ১গী মখা... পুথোকপদা পাস তৌদনবা কেম্প্যেন তৌবা হায়না ৰারেপ লৌরে হায়বা অসিনি।

মীফম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা রিটাইয়র্দ দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন জজ খুমন্থেম গোমতি, ওল মণিপুর নুপী মরূপকী প্রসিদেন্ট এম শখি, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী রিটাইয়র্দ প্রো. এম জয়কুমার, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ইকোনোমিক্স দিপার্টমেন্টকী প্রো. চিংলেন মাইস্নাম, এক্স মিনিষ্টর ডো. এম নরা অমদি এম এস সী, সী পি আইগী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা এম শখিনা ফোঙদোকখিবদা, আর্টিকল নম্বর ৩৭১ (এ)দা ওটোনোমি পীরিবা অসিদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী মনুংদা য়াওরিবা মচাকশিং অসি অথুবা মতমদা মীয়ামদা ফোঙদোকপীয়ু। মণিপুরগী ঙমখৈ শোকপা য়ারোই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৰা ঙাংলদুনা প্রো. চিংলেন মাইস্নামনা ফোঙদোকখিবদা, নাগা ফ্রেমৱার্ক, মীতৈ ফ্রেমৱার্ক, কুকি ফ্রেমৱার্ক, মুস্লিম ফ্রেমৱার্ক হায়না কম্যুনিটিদা বেজ তৌবা এগ্রীমেন্টনা প্রোব্লেম অসি চাওথোকহনবা নৎতনা সোল্যুসন লৈতে। ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা চঙশিনবা ওইরগদি মীয়ামগী সপোর্টসু লৈগনি। মদু লৈতবনিনা কম্যুনিটিদা শোক্কনি। পিপল ফর্ষ্ট হায়বা অসিদা য়ূম্ফম ওইরগা ষ্টেটকী য়াইফনবগীদমক তৌবদি অচুম্বা খোঙথাংনি হায়না লৌগনি। কম্যুনিটি অমদা য়ূম্ফম ওইরগদি মণিপুরদা কম্যুনিটি কয়া লৈ। কম্যুনিটি ময়াম অসিদা অখন্নবা কম্যুনিটি অমা খঙদোক্লগা মখোয়গীদমক ৰারোইশিন পুরকপা য়াবা লম্বীদা চৎকনি হায়রিবা অসিদি কম্যুনিটি মশেলগী মরক্তা উংখৎননবা লম্বীদা চৎনবা হোৎনরক্কনি। কম্যুনিটিদা য়ূম্ফম ওইদবা, মীয়ামদা য়ূম্ফম ওইবা সোল্যুসন লৈগনি। মদু নৎত্রবদি ঙাইহাক্কী ওইনা চৎলগা অশাংবা মতমদা কনফ্লিক্ট থোকহন্নবা লম্বীদদি চৎহননিংদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

জেলিয়াংরোংগী লূপ অহুম খুন্নাইগী...

লামায় ১গী মখা... নাগালেন্দনা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টতা ৰাকৎপগী পাউ ফংলে। জেলিয়াংরোং লুচিংবশিংগী পুক্নিং ৰাখলদা অকিবা অমসুং নুংনাংবা পোকপা মরম্না কাঙলুপ অসিগী লুচিংবশিংদা এন এস সী এন (আই-এম)না ওৎ-নৈবগী থৌওং চথবা থোক্লবদি নাগা ফুরুপ মনুংদা লৈতাদবা ফিভম অমা ওইহল্লকপা য়ানা লৈরে। পুম্নমক অসিনা মরম ওইরগা ৰাফম অসিগা মরী লৈনবা অকুপ্পা ৰারোলশিং অথুবা মতমদা খঙহনবিরকউ হায়না সী এফ এম জিগী কনভিনরদা তকশিনখিবনি।

অমরোমদা এন এস সী এন (আই-এম)গী সেক্রেটরি দি জে রুদোলফনা সিজ ফায়র মোনিটরিং সেলগী চ্যেরমেন দি কে পাথক, আই পি এস (রিটায়র্দ)তা থাখিবা চেরোল অমদা জেলিয়াংরোং বাওদি (অসাম, মণিপুর এন্দ নাগালেন্দ) গী লুচিংবশিংদা কিহনখিবা লৈতে হায়না শেংদোকখ্রে।

চেরোল অদুগী মতুং ইন্না তোঙান-তোঙানবা ট্রাইবশিং টাটার হোহোনা শক খঙবগী ৰাফম অসি মরী লৈনবা ট্রাইবশিংনা হায়জরক্লগা মথৌ তাবা থৌরাংশিং লোইশিল্লবা মতুংদা পায়খৎপা থৌরাংনি। জেমৈ, লিয়াংমৈ অমসুং রোংমৈদি ইন্দিয়াগী গেজেটতা য়াওদনা শক খঙলবা ট্রাইবশিংনি। মরম অদুনা টাটার হোহোনা জেলিয়াংরোং ফুরুপ মচেৎ তাহন্নবা হোৎনরে হায়না শিরক্লিবা মরাল অসি মরম চাদে হায়রি।

দি জে রুদোলফনা সিজ ফায়র মোনিটরিং গ্রুপগী চ্যেরমেন্দা থাখিবা চেরোল অদুনা হায়, জেলিয়াংরোং বাওদিনা জেদ য়ু এফকা খুৎশম্নদুনা ইন্দো-নাগা পিছ প্রোসেসতা অপনবা থোকহনবগা লোয়ননা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙহনখ্রে অমসুং টমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট অমদি মসিগী অকোয়বদা লৈরিবা মীয়ামগী পুন্সি তংদু লৈতাহন্দ্রে হায়বা পুম্নমক্না খঙনরবা ৰাফমনি।

জেলিয়াংরোং বাওদিগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা রাইটু চাৰাংনা জেদ য়ু এফকী অনৌবা চ্যেরমেন ওইদুনা অরোনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলক্লি হায়বসু পুম্নমক্না খঙনরবা ৰাফম্নি হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, জেলিয়াংরোং এরিয়াদা ওইরক্লিবা ফিভম পুম্নমক এন এস সী এননা হকচিন্না লৌই। জেলিয়াংরোং বাওদিগী অতোপ্পা শকলোন অমা ওইরিবা জেদ য়ু এফতা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী এজেন্সিনা মখল কয়াগী তেংবাং পী হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

চেরোল অদুনা হায়, থোরকপা য়াবা খুদোংথিবশিং মাঙজৌননা ঙাকথোকহৌনবা নাকল অনীমক্লা হোৎনমিন্নবা তঙাই ফদে। ঈং-তপ্পা পুরক্লবা হোৎনবদা অয়েৎ-অপন পীরিবা কাঙবুদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসনা মীৎয়েং চঙদবগী মরম এন এস সী এননা খঙবা পাম্মী। জেদ য়ু এফনা ইনশিল্লগা কা হেনবা থৌওং চথখিবগীদমক এন এস সী এনগী জোইন্ট কাওন্সিলনা জেলিয়াংরোং বাওদি, জেলিয়াংরোং ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন অমসুং জেলিয়াংরোং য়ুথ ফ্রন্ট রেকগনাইজ তৌদনবা ফিরেপ লৌখিবনি হায়রি।

বোর্দরগী চয়েৎনবা লৈ হায়বা সেন্তরগী...

লামায় ১গী মখা... ব্লোক্কী সেক্রেটরি কে ঐচ গ্যানেশ্বরনা হায়খি, কুমজা ১৯৬৭কী ওফিসিএল এগ্রিমেন্ট তৌবদা য়ানবা লৈখিবসি বোর্দর পিল্লর দিমার্কেসন অসি ত্রেদিসনেল ৰেদা তৌসি, মেপতা তৌবা য়ারোই হায়বনি। মরমদি মেপকা গ্রাউন্দগা চান্নদে। মতম অদুদা মেপ্তা লৈখিবদগী চয়েৎনবা অসি লৈখিবনি। মমাঙদা সেন্তরগী মীহুৎশিং লাক্কুনা য়েংবদা য়েংশিনগে হায়বা ৰাফম ফোঙদোক্লম্লগা চৎখ্রবা মতুংদা সেন্তর য়ৌরগা চুম্মী হায়দুনা ফোঙদোকখিবনি। অদুবু য়েংশিনবা অসিদদি ইন্দিয়াগী সর্ভে টিম্না হকথেংননা য়েংলবা মতুং পোলিটিকেল পার্টিশিংনা দিসপুট লৈরে হায়বসি য়ারব্রা হংবদা অইবা ওইনা নৎত্রবসু চীলহায় ওইনা য়ারে হায়বা ৰাফম ফোঙদোক্লমখি। দেল্লি য়ৌরগা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টদা শোয়দনা তক্লগনি হায়বা ৰাফম য়ারগা চৎখিবা অসি মায় পাকপা অমনি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা বি সী পি আই, বি এস পি, এন সী পি, ফোরৱার্দ ব্লোক, সিব সেনা, এম পি পি, আর এস পি, জে দি (য়ু), জে দি (এস), কোংগ্রেস, আম আদমি পার্টি, এম পি সী, সী পি আই (এম) অমসুং বি জে পিনচিংবা পোলিটিকেল পার্টিগী মীহুৎশিং অমসুং তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইটিগী মীহুৎশিংসু শরুক য়াখি। সেন্তরগী মীহুৎশিং অদুদা য়াওরিবশিংদি মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফ্যেরসকী জোইন্ট সেক্রেটরি (বি এম) শ্রীপ্রিয়া, রঙ্গানাথা অমদি মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসকী হোম সেক্রেটরি (বি এম) এ বি ধরমরেদ্দিনি। লোয়ননা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী এস পি এস ইবোমচা অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেপ্যুটি কন্মিস্নর তোম্বীকান্তসু শরুক য়াখি হায়রি।

মণিপুর পিপল বিল চৎনহন্দনবা...

লামায় ১গী মখা... অমগী ফংফম থোকপা কন্সটিট্যুসনেল রাইটশিং ফংনবা খোঙজং লেপ্তুনা চঙশিনখিগনি হায়নসু মখা তাখি। মতুং তারকপদা জিরিবামগী দি সীগী খূথাংদা মণিপুরগী গভর্ণরদা মেমোরেন্দম অমা খূৎশিন্নখি। মেমোরেন্দম অদুদা য়াওরিবা মরুওইবা ৰারোলশিংদি কুমজা ১৯৭২ গী জানুৱারি ২১ দা মণিপুরনা ষ্টেটহুদ ফংখিবনি। অদুগা ষ্টেট এসেমব্লিনা পাস তৌখিবা মণিপুর পিপল বিল ২০১৮দনা কুমজা ১৯৫১ দা বেজ য়র ওইরগা মীতোপ খন্দোকপগী থবক পায়খৎকনি হায়না পল্লি। বেঙ্গোলি, পঞ্জাবি, বিহারি অমদি নেপালিনচিংবা ইন্দিয়াগী সিটিজনশিং কুমজা ১৯৫১ গী মমাঙদগী ষ্টেট অসিদা লৈরক্লবদি মণিপুরী ওইনা লৌগনি। কুমজা ১৯৫১ গী মতুংদা চঙলকপা ইন্দিয়াগী সিটিজনশিং মীতোপ ওইনা লৌবগী থৌওং অসি কন্সটিট্যুসন্না পীবা রাইট খোঙ্গাওনবনি হায়না লৌফম থোকই। ইন্দিয়াদা তোঙান-তোঙানবা কাঙলুপকী মীওইশিং কন্সটিট্যুসনগী মখাদা পুন্না হিংমিন্নরক্লি হায়না পল্লদুনা ৰাকৎ চে অদুনা হায়, হন্দক্তা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিদা পাস তৌখিবা মণিপুর পিপল বিলনা ইন্দিয়াগী সিটিজনশিংবু কুমজা ১৯৫১ দা বেজ য়র ওইরগা মণিপুর পিপল অমদি ইন্দিয়ন সিটিজন হায়না কাঙলুপ অনী থোক্লা খায়দোকপগী ফিভমদা লৈরে। দেমোক্রেসি চৎপা ইন্দিয়াদা দ্যুএল সিটিজনশিপ সিষ্টেম চৎনহনবগী থৌওং য়ানিংদে।

কুমজা ১৯৫১ দা জিরিবামগী ওইনা লৈঙাক্লা পীবা মতিক চাবা চে চাং অমত্তা লৈতবনা হায়রিবা চহী অসিদা বেজ য়র ওইহনবা য়ানিংদে হায়না পল্লদুনা ৰাকৎ চে অদুনা হায়, ইন্দিয়াগী সিটিজন অমনা মণিপুরদা চঙলকপদা পাস লৌগদবনি হায়রিবসি কন্সটিট্যুসন শীংনবনি। ইন্দিয়াগী সিটিজন অমনা লৈবাক্কী মফম অমদা হেক্তা লৈবা য়াই হায়বা ৰাফম কন্সটিট্যুসন্দা ময়েক শেংনা য়াওই। ষ্টেট লেজিসলেটিব এসেমব্লিনা পাস তৌখিবা বিল অসি ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেমগা মান্নে। সিষ্টেম অসি চীংগী ষ্টেটখক্তদা চৎনহনগদবনি। মণিপুরদি তম্পাক্কী ষ্টেটনি। পুম্নমক অসিনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াগী অশেংবা সিটিজনশিংগী রাইট শোকহনবা য়াবা বিল অসি গভর্নরনা অয়াবা পীবিগনু হায়নসু ৰাকৎ চে অদুনা ফোঙদোকখি।

NOTICE
We are "BAJAJ FINANCE" providing any kind of loans with in 24 hours. (without mortgage) 7% yearly interest, subsidy available.
Interest person please contact - 6000032254
HL-P/1894/26,27

বোর্দর পিল্লরশিং রি সর্ভে তৌবা তঙাইফদে : সুনিল করাম

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচ এন এস): সর্ভে টিম লাক্কুনা স্পোটতা চৎতুনা চপ চানা য়েংলে। মখোয়না ১০০দা ১০০ চুম্লে হায়না খল্লগা লাক্লিবা অদু স্পোটতা মীয়াম্না পীরিবা রিপোর্ট অদুনা মরম ওইরগা করিগুম্বা খরা শোয়রে হায়না খুম্বগী মমি তাবা উই হায়না য়ুনাইটেদ কন্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম) গী প্রসিদেন্ট সুনিল করাম্না ফোঙদোকখ্রে।

খূৎশু খূৎলায় চপ চানা য়াওরক্তবনিনা মখা তানা ষ্টদি তৌনবগীদমক থা অমগী মতম পীরগা বর্ম্মাদসু রিপোর্ট পীরগা চপ চাবা ৰারোইশিন অমা পুরকপা য়ানবা হোৎনবা ফোঙদোক্লম্মী। ৰাফম কয়া অসি য়ু সী এমনা ওবজার্ভ তৌখিগনি। মীয়ামগী অপাম্বগী ৰাংমদা লৈবা তারগদি য়ু সী এমনা কৈদৌনুংদা ঙমখৈগী ৰাথোক অসি কম্প্রোমাইজ তৌরোই। বোর্দর পিল্লর নম্বর ৮১ য়েংমিন্নরে অমসুং থোরক্লিবা ৰাফমদি বোর্দর পিল্লর নম্বর ৮১ অসি অহানবদা খুঞ্জাশিং সী এস ওশিংসু য়াওনা পূন্না য়েংমিন্নখি।

ৰারী শানবদা য়ু সী এমগী মায়কৈদগী হায়রিবা বোর্দর পিল্লর নম্বর ৮১ অসি কুমজা ১৯৬৭কী ত্রেদিসনেল বাউন্দরিদা বেজ তৌরগা য়ুংখিবনি হায়বদু য়ারবনিনা করম্বা লৈঙাক্লা কনাগা খূৎয়েক পীনরগা কুমজা ১৯৬৭কী এগ্রীমেন্ট অসি লেপ্পনো হায়বা ৰাফম অসিদা দিবেট তৌনৈ। মতুংদা ১৯৬৭কী এগ্রীমেন্ট অসি কুমজা ১৮৯৬তা মেক্সৱেল লাইন হায়বা অসিগী মখাদা এগ্রীমেন্ট তৌনবনি হায়বা ৰাফমশিং থল্লিক্লি।

কুমজা ১৯৮৬তা পীরল্লিবা লাইন অসিদি মসি নত্তে হায়না কন্না য়েৎখি। অদুবু চুম্মী হায়বগী ৰাখল্লোনদি থনম্মী। সর্ভে টিম্নসু অদুগুম্বা ৰারোলশিং অদু লাল্লি হায়বগী চপ চাবা খুদম চাংদম কয়াসু পীখি অমসুং মদু ওইবা তারবদি হান্না লৈরম্বা বোর্দর পিল্লর ৮১ অদুগী মফমদা চৎতুনা য়ুংমিন্নরুসি হায়না নমদুনা পুবনি। অদুবু সর্ভে টিম অদুনদি য়েংনীংবগী অপাম্বা মমাঙদা লৈখিদে।

লমদম অসিগী মীয়ামগী সেন্টিমেন্ট অদুনা ৰাংখৎলকপনা মরম ওইরগা নমদুনা পুখিবনি। সর্ভে টিম অদুদা কন্ট্রোভর্সি থোকই হায়দুনা মীয়াম্না ঙাঙনরিবা অসিনা ফজনা মুন্না খঙলগা ঈংনা তপ্না মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বা অসি করিনো খল্লগা লাকপা সর্ভে টিম অমদি ওইদে। মরমদি মীয়াম্না খল্লম্বা ৰাখল্লোন অদুমদি য়ৌদে। লাকপা মতমদা সর্ভে টিম অদুনা চপ চাবা ইক্বিপমেন্টনচিংবা অমত্তসু লোইনরকখিদে হায়রি।

য়ু সী এমগী ৰাখল্লোন্দা লাক্লিবা সর্ভে টিম অসি কুমজা ১৯৬৭কী এগ্রীমেন্টতা ইনখিবা এগ্রীমেন্ট অসি লৈবাক অনীগী ওইবনি। করিগুম্বা হায়রিবা বোর্দর পিল্লর ৮১ অসিগী য়ুংফম লাল্লে হায়বমক লৈরগসু লৈবাক অনীগী ওইবনিনা য়ুংলিবা অসি চুম্মী হায়বা ঙমদবনি হায়বসি মখোয়গী ৰাখলদা ফাওব্রা হায়না খল্লি। সর্ভে টিম অদুগা লোয়ননা স্পোটতা লৈরিঙৈদা হায়দোকখিবা ৰাফমশিংদি মফম অদুগী মীয়ামগা লোয়ননা চৎমিন্নরগা য়েংমিন্নবা মতমদা হান্নগী অশেংবা মফমনি হায়রিবা অদুদা খরা হেন্না খন্নমিনন্নিংবগী অপাম্বসু ফোঙদোকখি।

থা অমগী মনুংদা তোঙানবা মী থারক্লগা ম্যান্মার ওথোরিটিদসু পাউ পীরগা মীয়াম্না পেনদ্রিবা অসি করিনো হায়বদু অমুক হন্না য়েংশিন্নবা খন্নবগী থাজবা পীরম্মী। কোন্দোং ভিলেজগী মীওইশিংসু য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখি। মখোয়না ফোঙদোকখিবদা অসিগুম্বা থৌওং অসি অফবা খোঙথাংনি। কোথাদা লৌখৎলিবা খোঙথাং অসিদা অয়েৎ অপন পীবা লৈরোই। ইন্দো ম্যান্মার বোর্দর অসি অমুক হন্না সর্ভে তৌবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়বসি সর্ভে জেনরেল ওফ ইন্দিয়াগী মীওইশিংদা মপূং ফানা ফোঙদোকখি।

মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সর্নেল এফ্যেরসনসু ঙমখৈদা অহোংবা লৈতে হায়রিবা ময়াম অসিনা মরম ওইরগা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদা সর্ভে টিম লাক্কুনা ফোঙদোরক্লে অমদি ঙসি য়েংবা লাক্লে অদুবু চুম্মী হায়না খল্লগা লাক্লিবা ৰাফম অসিদি অতৈ অতোপ্পা অখঙ অহৈশিংনা পীরিবা রিপোর্ট অদুনা মরম ওইরগা মখা তানা থা ১গী মতম পীরগা থা অমগী মনুংদা চপ চাবা ৰারোইশিন অমা পুরক্লুবা হোৎনরগনি হায়না ফোঙদোক্লমখি হায়রি।

মৈন্য : নোংজু...

লামায় ১গী মখা... অমদি নাগা পিছ টোকস্কী ইন্টরলোকুটর আর এন রবিনা ফোঙদোক্লিবা ৰাফমগা তায়ওন্নরে। মীয়াম্না এগ্রীমেন্টতা য়াওরিবা ৰারোলশিং খঙনিংবনা লাংতক্লুরে। মরম অদুনা হৌজিক চথরিবা লোক সভাগী নোংজু মীফমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মরিক চুম্বা ৰাফম ফোঙদোক্তুনা মীয়ামগী চিংনবা কোকহনবীয়ু হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পঞ্জাবতা পুনবা...

লামায় ১গী মখা... দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ভেরু খুন্দগী শুরপ্রীট অমদি দিষ্ট্রিক্ট অসিমক্তগী রুরকি বুধা খুন্দগী জোগরাজনি। পাউ অসি মখা তানা হায়, মখোয় অনীদগী পুন্না সনা গ্রাম ২,৬৫১ রোম ফাগৎখি। হায়রিবা সনাশিং অদু ইঞ্চি ১০ শাংনা য়োৎচৈগী মওংদা মশিং ১৬ রোম হৈরগা মথক্তা সিভলর মচুনা অমুক তৈশিনবনি হায়রি। মদুগী মতুংদা বেগ অচৌবা অমগী মনুংদা খরা পীকপা বেগ মচা অমনা অমুক খরা চিনতকনমশিন্দুনা হাপ্লম্মী। অপীকপা বেগ অদুগী নাকল ফিবালদা মথক রাওন্দ ওইনা সিলভর মচুশংখ্রবা সনাগী য়োৎচৈ অদুনা কোয়না নপশিল্লগা য়াম্না চেকশিন্না হাপ্লগা পুরম্বনি হায়রি। বেগতা নপশিল্লগা পুরম্বা সনাগী য়োৎচৈ অদু মৈ থারগা য়েংবদা সিলভর মচু অদু মৈনা চাকথেকখ্রগা সনাগী মচু তপ্না ওল্লকপনি হায়রি। হায়রিবা সনা গ্রাম ২,৬৫১ অদু মখোয়না মোরেদগী পুরক্লগা ইম্ফাল য়ৌরগা অমুক ইম্ফালদগী পঞ্জাবতা বাই রোদতা পুনবা হোৎনরম্বনি হায়রি। মখোয়দগী ফারবা সনা অদু মীরৈবাক্তগী পুশিল্লকপা অশেংবনি। মদুগী ভেল্যুনা লুপা লাখ ৭৯,৯০,১১৪ রোমনি হায়রি। মখোয় অনী মখা তানা ৰাহং পাউহংবা চথরি।

থা অসিগী মনুংদা এম য়ু হাংহনগদবনি...

লামায় ১গী মখা... ওজাশিং য়াওশিনখিবনি হায়নসু মরাল শীরি।

প্রাইম মিনিষ্টরদা পীবা ওপন লেট্টর অদুদা শীরিবা মরাল খরদি- মহাক্লা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ওঠোরিটিগী অয়াবা য়াওদনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ফন্দদগী লুপা লাখ ২ এ বি বি পিদা দোনেট তৌখি, টেন্দর অমত্তা তৌদনা লক্ষনৌদা লৈবা ফার্ম অমদা ‘স্মার্ট ক্লাসশিং’ ইন্সতোল তৌনবগী ওর্দর পীথোকখি অমসুং ওফিসল প্রসিজর মতিক চানা চথদনা ফার্ম অসিদা লুপা ক্রোর ৫ পীথোকখি; অমুকসু এগজামিনেসন পাউখুমগী চেদু তেন্দর তৌদনা লক্ষনৌগী ফার্ম লিষ্টতা লুপা ২৪ গী চাংদা লৈখি। মদু হান্নদি লোকল ফার্ম অমনা পীদুনা লুপা ৫ গী চাংদা পীখিবনি। হৌখিবা কুমজা ২০১৪গী এপ্রিল ২৯দা ১৪ রকশুবা কনভোকেসন পাঙথোকপদা মহাক্লা শরুক য়াখিদবা অদুগী মতুংদগী মহাক্লা কনভোকেসন পাঙথোক্লবা হোৎনরকপা লৈত্রি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটি এক্ট, ২০০5 গী সেক্সন ২২ গী প্রোভিজনশিং খোঙ্গাওনদুনা মহাক্লা হেক থবক পায়রকপদগী য়ুনিভর্সিটি অসিগী কোর্টকী মীটিংসু পাঙথোক্তনা লাক্লি; মহাক্কী মতমদা হৌজিক ফাওবদা এগজিক্যুটিভ কাউন্সিল অমসুং ফাইনান্স কন্মিটিগী মীটিং অহুল্লক পাঙথোক্কদবনি হায়বা য়ুনিভর্সিটি এক্ট এন্দ ষ্টেচুটসকী তঙাই ফদনা তৌফম থোকপসি অমুক্তা ফাওবা ঙাক্লক্ত্রি। মণিপুরগীদা নত্তনা লৈবাক অসিগী ভি সীশিংগী মরক্তা অহানবনি হায়বা য়ারবা মওংদা মহাক্লা লান শোক্লরিবা লৈবাক অমগী য়ুনিভর্সিটি অমদা তৌবগুম্না ৰাই কেটিগরি সিক্যুরিটি ষ্টেটসকা লোয়ননা বুলেট প্রুফ কার অমদা তোংদুনা চৎলি; মহাক্লা য়ুনিভর্সিটিগী ফন্দ শীজিন্নদুনা মরম অমত্তা পীদনা অমসুং কনামত্তদা চার্জ শিন্নদনা মপান্দা তোইনা চৎতুনা য়ুনিভর্সিটি অসি শাংনা থাদোকই হায়বনচিংবা মরাল শীবা ৰাফমশিং য়াওরি।

চীফ মিনিষ্টরনসু ফোঙদোকখিবগুম হৌজিক্কী ঈহৌ অসি অথিংবা থম্বা অন্দরগ্রাউন্দ গ্রুপ অমগী লুপা ক্রোর ৫ গী দিমান্দ লেট্টর অমগা মরী লৈনৈ হায়বা ভি সীগী ক্লেমবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা মণিপুরদা লালহৌবগী ঈরাং লৈবগী খুদোংচাবা লৌদুনা হায়জিনবা মাল্লি, হৌজিক ফাওবা দিমান্দ লেট্টরদু করম্বা গ্রুপকীনো, করম তৌবগে হায়বা অকুপ্পা অমত্তা মীয়ামদা ফোঙদোরকপা লৈত্রি হায়নসু দেসামনা ফোঙদোকখ্রে। নুমিৎ ৫৪ নি হেন্না ঈরাং থোক্লবা মতুংদা এম ঐচ আর দিনা মমৈথংদা মেঘালয়া হায় কোর্টকী থবক্তগী পোখারবা এক্টিং চীফ জষ্টিস অমনা লুচিংবা ফেক্ট ফাইন্দিং কন্মিটি অমা য়ু জি সী অমসুং এম ঐচ আর দিগী ওফিসর অনীগা লোয়ননা শেল্লিবসি খোঙজং চঙশিল্লবশিংনা য়াবা ঙল্লোই। ভি সীনা ফম পায়দুনা লৈরগা ইনক্বাইরি চথরবদি মরু ওইবা দোক্যুমেন্টশিং অমসুং ইনফোর্মেসন ফংহন্দবনা ইনক্বাইরি অদুদা ঈথিল পীরকপা য়াই হায়নসু লেট্টর অদুদা পনখি।

সী এমগা ৰারী শানবদসু ভি সী পান্দে ওফিস পায়হল্লোইদবনি হায়না পল্লদুনা মহাকপু সসপেন্দ তৌবা নত্রগা লিভ পীরগা ইনভেষ্টিগেসনগী ৰারোইশিন লাক্ত্রিফাওবা এম য়ুগী এফ্যের্স য়েংশিন্নবা ইন-চার্জ ভি সী অমা হাপ্পবগী ৰাফমদা মহৈরোয় বোদি অসিনা পি এমগী পুক্নিং চিংশিনখ্রে। মরম অদুনা য়ুনিভর্সিটি অসিবু থা অসিগী মনুংদা হাংনবা খুদক্কী ওইবা খোঙথাংশিং লৌখৎকদবনি। টি দি সীগী তরুকশুবা সেমিষ্টর এগজামগী রিজল্টশিং হায়দোকপা য়াওনা মহৈরোয়শিংগী কেরিয়র কন্নবা ভি সীবু শুংশোয় শোয়দনা ছুটি পীগদবনি নত্রবদি হৌজিক ফাওবদা ঈংনা চীক্লা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসি হেন্না কনবা অমসুং শাথিবা খোঙজং অমা ওইরকপা য়াই হায়নসু পল্লি।

COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION,
MANIPUR

NOTIFICATION
Imphal, the 25th July, 2018

No.3/15/2008-HSC(Vol-IV): /4298 In supersession of all previous office notification, it is, hereby, notified for information to all the concerned that the last date of issue and submission of prescribed **application form for obtaining the *Eligibility Certificate*** for admission in Class –XI during the current academic session, 2018-2019 in the institutions under the Council has been extended upto ***10-08-2018*** and the rate of fee and fine will remain the same.

Sd/- **KH. GUNABATI DEVI**
Deputy Secretary(Academic-1),
Council of Hr. Sec. Edn.,
Manipur

HL-B/4765/26

NATIONAL INSTITUTE OF TECHNOLOGY MANIPUR
Langol , Imphal West, Manipur, 795004

B.Tech/B.Arch Programme Admission 2018-Special /Last Round

As per approved by the HR Ministry for ensuring filled up of all vacant seats on merit basis for B.Tech, **eligibility has been relaxed by Central Seat Allocation Board (CSAB) for Special Round of admission in Home State quota in NITs of North Eastern States**

Candidates who secured at least 45% marks (40% for SC/ST/PwD) in the 12th Class shall be eligible to apply.

A one time measure in the Special Round of Admission for B.Tech courses in NIT Manipur for Academic Year 2018-19 will be held through Central Seat Allocation Board (CSAB-2018) from 24th to 26th July 2018. Candidates are hereby advised to visit NIT Manipur, Takyel Campus on the following dates.

1. Registration and subject choice filling: **24th - 26th July**
2. Eligibility: **45% in Class XII for General/OBC & 40% for SC/ST/PWD.**
3. For more details, please visit NIT Manipur, Takyel Campus.

Further, for any queries candidates may also contact the undersigned through mobile.

Dr.P. Albino Kumar
Admission Incharge/Associate Dean (Students Welfare)
Email: albinoiit@gmail.com
Mobile:8131013746

HL-P/5131/26